HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
# হুইয়েন লানপাউ




মণিপুরগী লান অসিদা কুকি-জো কাঙবুদা শৌগৎলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা অকাম্পোৎ শীজিন্নদুনা চৈ থাংলকপবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা শগোলবন্দ তেরা কৈথেলদা মীয়াম্না জোরামথাঙ্গাগী মীতম মৈ থাবা

কুকিশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ ফংবগা চপ মান্নরে : মৈরা পায়বী
☛ লামায় ২

কুকিশিংগী চান থক্লবা পোৎলমশিং থিল্লম্বা মীওই ফারে
লামায় ৩

তপতাগী শৈশক্লা করি হায়রিবা - ১
☛ লামায় ৪

"সেপ্টেম্বর পোপি লোকপা থানি-!"
☛ লামায় ৫

মণিপুরগী ফীভম খন্ননবা মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৭৪ (১)গী মখাদা মণিপুর এসেমব্লিগী ইমর্জেন্সি সেসন কৌবীনবা কোংগ্রেস এম এল এশিংনা অহুল্লকশুবা ওইনা গভর্ণরদা তকশিনবা



Vol. 47, Issue No. 124 | শগোলশেন, থৱানগী ৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, July 27, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

### মোরে টাউনদা য়েলহৌমী মীতৈগী খোঙ্গুল মূৎকদৌরে

# মৈ থাহৌদবা মীতৈগী দুকান ফক্কাইরগা পোৎ চৈ হুরানগে তৌরকপদা এ আরনা থিংলুবদগী ঈরাং থোকখ্রে

**মীতৈগী দুকান, য়ূম অমসুং হোটেলনচিংবা ৪০ রোম মৈ থাবা য়াওনা থুগাইদুনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে, সিক্যুরিটি নুপী পর্সনেল ১ শোক্লে, কুকি মিলিটেন্টশিংগী মায়কৈদা অশি-অনা য়াওরমগনি থাজনরি**


**ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচএনএস) :** চহী লিশীং ৩ হেনবগী শাগোন্নরক্লিবা পুৱারীগী তাঙ্কক খরদা মণিপুরগী ঙমখৈদা শীংনরকখিবশিং থৌনা ফনা মায়রোং য়াদুনা তেমশিংনরকখিবশিং মমু থুদেক্তুনা ঙসি ফাওবদা ঙাক্লক্লিবা টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিদগী কুকি-জো ফুরুপকী মীওই খুজোক খরনা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন ফক্তুনা লৌগনি হায়বগী ওইরোইদবা মঙলাননা মাঙ থাদুনা ষ্টেট অসিগী মেজে ারিটি য়েলহৌ ফুরুপ্তা চঙশিল্লক্লিবা অকনবা লান চপ চানা মায়োক্লরগসু লল্লোন ইতিক্কী অচৌবা মফম অমা ওইবদা নত্তনা ম্যান্মারগা তাইনবা খ্বাইদগী চাওবা টাউন অমা ওইরিবা মোরেদা হঞ্জিন হঞ্জিন কুকি লমহেনবশিংনা খূৎ থারকপদগী মফম অসিদা মীতৈগী খোঙ্গুল মূৎপা য়াবগী ফীভমদা লাক্লে।

## কুকি মিলিটেন্টশিংনা কাপশিল্লকপা বোম্না পানখিবা নুপামচা লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নোংয়াই মতুং পুং ১২.৩০ রোম তারকপদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা কাপশিল্লকপা বোম অমা ইমুং ফাওনা চঙশিল্লক্লগা পোকখায়বদা বোম মচেৎনা পান্দুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# 'হকচাংসিদা ঈ মরিক ১ পক্লিঙৈদা করম্বা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন পীবগে য়েংসি' : বিরেন

**ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুরবু মখোয়গী অউনপোৎতা য়াওরকপা লমদৌনা ঙাঙই হায়রদুনা কয়াম কুইনা ঐখোয় খাৎদুনা লৈগনি হংলদুনা হৌজিক কাংপোকপীদা চথরক্লিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ, চুড়াচান্দপুরদা তৌরিবা মওং মতৌ য়েংলিবনি। মফম অসি ষ্টেট অসিগী লমনি। চুড়াচান্দপুর ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট অমনি। কাংপোকপী অমসুং তেংনৌপলসু ঐখোয়গী দিষ্ট্রিক্ট অমনি হায়রদুনা তৌনীং তৌনীংবা পংতৌদা তৌবা, পংয়াদা য়াগদবা নত্তে। হকচাংদা ঈ মরিক অমা লৈরিবমখৈদি মণিপুর থুগাইগনি খল্লিবদু মঙদা ফাওবা মঙলুনু হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি লৈঙাক্লা শীন্দুনা মহৌশাগুম্না

মণিপুর সেক্রেটেরিএট (সাউথ ব্লোক) কী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা কার্গিল বিজয় দিবসকী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা সী এমনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, মণিপুর থুগাইগনি খল্লিবা অদুদগী থোরকপা মহয় য়াম্না শাথীবা থোক্কনি। মরম অসিনা পংঙাঙ ঙাঙগনু। প্রেস ষ্টেটমেন্ট পংথোক থোক্কনু। মীওইবা ঐখোয়সি নোংমা পোক্লবদি নোংমা শিগদবনি। মদুদা কিন্নীংঙাই করিসু লৈতে। লৈবাক্কীদমক ইকায়খুম্নবগা লোয়নননা হিংগদবনি। হকচাংসিদা ঈ মরিক ১ পক্লিঙৈদা করম্বা সিপরেট ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## দি আই জি জোগেসচন্দ্র মোরে তম্না চঙশিল্লুবদা খুদোং চাররোই হায়দুনা পল্লেলদগী হল্লকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচএনএস) :** মোরে টাউনদা ঙসি অয়ূক থোকখিবা অচৌবা ঈরাং অসিগী পাউ তাবদগী মশীং য়াল্লবা ষ্টেট ফোর্সকী কম্বাইন্দ টিম লুচিংদুনা দি আই জি (রেঞ্জ-২) জোগেসচন্দ্র হাওবিজম চঙশিন্নবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মহাক অমসুং মহাক্কী টিম্না পল্লেল য়ৌশিল্লকপদা ফংখিবা এদভান্স ইন্টেলিজেন্স ইনপুটকী মতুংইন্না মোরে য়ৌদ্রিঙৈগী লম্বীদা খুদোংথীবা থৌদোক মায়োক্লরকপা য়াই হায়বদগী পল্লেলদগী হল্লকখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক হয়েং অহেনবা ফোর্সশিং হাপচিন্দুনা চঙশিন্নবা থৌরাং তৌরে হায়রি।

## স্পেসল কম্মান্দোগী পর্সনেল ২৫ হেলিকোপ্টরনা এয়র লিফ্ট তৌখি

**ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ূক্তগী নুমিৎয়ুংবা মমাঙ ফাওবদা মোরে কৈথেল অমসুং অকোয়বদা থোকখিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং লাকশিনবদা মফম অসিগী পুলিস আই বিদা লৈরক্লিবা স্পেসল কম্মান্দো পর্সনেলশিংগী মশীং ৱাৎলকপদগী পন্থদনা হেলিকোপ্টরদা পুলিসকী স্পেসল কম্মান্দো পর্সনেল ২৫ মতিক চাবা খূৎশু খূৎলায়শিংগা লোয়ননা হেলিকোপ্টরনা মফম অদু তম্না এয়র লিফ্ট তৌখি। হয়েংসু মখা তানা চঙখিগনি হায়রি।

## আর এ এফ পুরকপা বস ২ মৈ থাবদা চেন্নবা মীওই ৯ পুলিসনা ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচএনএস) :** ঙরাং দিমাপুরদগী ইম্ফাল তম্না আর এ এফ পর্সনেলশিং পুরকখিবা গাড়ীশিংগী মনুংদগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা গমনোম সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী নাতোন শুমাংমক্তদা কুকি লমহেন তুহেনবশিংনা বস অনী মৈ থাদোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা জুবেনাইল অমা য়াওনা মীওই ৯ ফাগৎলে হায়রি।

## ভাইরেল ভিদিও থৌদোক্কী কেসতা ফাগৎপা মীওই ৭ শুরে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচএনএস) :** মে ৪দা থোকখিবনি হায়বা নুপী অনীদা অমোৎপা থৌওংশিং চথখিবনি হায়বগী ভিদিও অমা থা অসিগী ১৯দা ভাইরেল ওইরকখিবগা মরী লৈননা নোংপোক সেকমাই পি এসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাগৎপা চেন্নবনি হায়বা মীওই মশীং ৭ শুরে হায়রি।

## মণিপুরদা নোংমৈ অমসুং মরূ য়োল্লম্বা নাগালেন্দ পুলিস পর্সনেল ১ ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচএনএস) :** লান নেমথদ্রিবা মণিপুরদা লোগী ৱাংমদা নাগালেন্দগী চুমুকেদিমাদা লৈবা ষ্টেট অদুগী পুলিস সেন্ত্রেল ষ্টোরদগী নোংমৈ অমসুং মরূশিং য়োল্লম্বগী মরালদা নাগালেন্দ পুলিসকী পর্সনেল অমা ফারে হায়রি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৮

মে ৩গী নুংথিলদগী চুড়াচান্দপুরগা তাইনবা বিষ্ণুপুরগী তোর্বুং বাংলাদা অহানবা অফোঙবা লান চথরকখিবদগী শন্দোরক্তুনা নুমিৎ অদুগী নুমিদাংমক্তদা মোরেদা লৈবা মীতৈশিংগী য়ূম, দুকান অমসুং হোটেলনচিংবা মৈ থাখ্রবসু তুম্নবা চাকহৌদবশিং হঞ্জিন হঞ্জিন অনীরক মৈ থাবা য়াওনা থুগাই-য়েখাইবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা ঙসিসু মরিরক শুরকপা ওইনা মফম অসিদা লৈবা মীতৈশিংগী য়ূম, দুকান অমসুং হোটেলশিং অমুক হন্না মৈ থাবা য়াওনা থুগাইদুনা অমাঙ অতা থোকহল্লগা পোৎ চৈ কয়া হুরান্দুনা পুখ্রে।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইকোন কোনবা মোরেগী থৌদোক অসি ঙসি অয়ূক পুং ৯ তারমদাইদা কুকি-জো ফুরুপকী মীওই ১/২না মোরে টাউনদা লৈরকখিবা ধর্ম্মসলা অমসুং ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী ব্রাঞ্চকা নক্লনা লৈবা লাঞ্জেন্নখ্রবা মীতৈগী দুকান অমা ফক্কাইরগা মনুংদা লৈবা পোৎ চৈশিং হুরান্দুনা পুননবা হোৎনরকখিবনি। তাঞ্জা অসিদা মফম অসিদা মথৌ পাঙথোকখিবী ৫-অসাম রাইফলসকী নুপী পর্সনেলশিংনা হুরানবগী থবক অদু তৌদনবা অথিংবা পীখিবনি। মসিদগী এ আরগী নুপী পর্সনেলশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Meeyamgi meehut 50ga meeyamga khutsamnaduna Union leingakki mayokta akanba khongjang changsinbagi matam soidana lakkani thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Mizoramgi Chief Minister Zoramthangagi wangang Manipurda khamjinbinaba leitabadagi thorakliba lan ashida insinbagum thokloidra?

Yes 100% No 0%

### আই জি পিগী গাড়ী মৈ থাখিবগী কেসতা ফাবা মীওই ২০গী বেল প্রেয়র কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে

### কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচএনএস) :** হয়েং জুলাই ২৭তা কর্ফিয়ু কোমথোক্কদবা দিষ্ট্রিক্টশিং-ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ৱেষ্টতা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা কোমথোক্কনি। কাংপোকপীদনা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা অদুগা কক্চীং, চুড়াচান্দপুর অমসুং বিষ্ণুপুরগীনা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্কনি হায়রি।